# জেনেভা মীফমদা অফস্পাগী মতাংদা
# পুথোক্লবা লোবি তৌবা হৌরে

-দেববর্ত্ত

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ২২ঃ* মীওইবগী হিংবগী হক চাওনা খোঙ্গাওনরিবা আর্মর্দ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার এক্টনা লিশাং শিংনা লমদমসিগী মীয়ামদা চৈথেং কয়া পীদুনা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক জেনেভেদা চখরিবা যুনির্ভসেল পেরিওদিক রিভিউ (য়ুপিআর)গী অনিশুবা সাইকলগী মীফমদা পুথোক্লবা সিভিল সোসাইটি কোলিসন ওন হ্যুমেন রাইটস (সিএসসিএইচআর) ইন মণিপুরনা অতোপ্পা লৈবাকশিং লোবী তৌবা হৌরে হায়না ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা  সিভিল সোসাইটি অসিগী কনভেনর ডা: লাইফুংবম দেববর্ত্ত রোইনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জেনেভাদা হৌজিক চখরিবা য়ুপিআরগী অনিশুবা সাইকলগী মীফম য়াওননবা হৌজিক হৌজিক সোসাইটি অসিগী মেম্বর বব্লু লোইতোংবম অমসুং জিতেন ওইনাম মফম অদুদা লৈরি। লোয়ননা মে ২৮ দা মণিপুরদা আর্মর্দ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট  ১৯৫৮ না চহি ৫৪ হেন্না লমদম অসিগী মীয়ামদা চৈথং পীদুনা লাক্লিবা কয়া অসিগী মতাংদা ময়েক শেংনা পুথোক্লবা হোৎনরি। মসিদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী সপোর্ট ফংনবা মখোয় অনিনা মীফম অদুদা য়াওগদবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মেম্বরশিং উন্নদুনা এক্ট অসিগী মতাংদা খন্ননবা য়াম্না কন্না লোবি তৌরি।

জেনেভাদা চখরিবা য়ুপিআরগী অনিশুবা সাইকলগী মীফম অসি য়াম্না মরুওই। হৌখিবা চহি ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা য়ুপিআরগী অহানবা মীফমদা ভারতকী মতাংদা খন্নরকপদা তোঙান তোঙানবা রি কম্মেন্দেসন কয়া লৌদুনা মদুবু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা ভারতকী রিপ্রজেন্টেটিভশিংদা খঙহনখি। হায়রিবা রিকম্মেন্দসনশিং অদু কদাই ফাওবা থবক্তা ওহোক্লবগে হায়বদু হন্দক্কী অনিশুবা মীফমগী খন্ন-নৈনবদা পুথোক্কদবনি। ভারতকী ওইনা খন্নরকপদা লমদমসিদা অফস্পানা পীরিবা চৈথেং কয়াগী মতাংদা রিকম্মেন্দেসন অমা লৌহৌনবা কন্না লোবি তৌবগী থবকসু চখরি।

মমাং ২০০৮ তা পাঙথোকখিবা মীফমদা ভারতকী মতাংদা খন্নরকপদা জর্ম্মনি, বৃটেন অমসুং কনাডানা ৱাহং কয়া পুখৎলকখি। হন্দক্কী মীফম অসিদসু স্পেন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মায়কৈদগীসু অফস্পাগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাহং কয়া হংনবা থৌরাং তৌখ্রে। মীফমসিদা বৃটেন, কনাডা অমসুং জর্ম্মনিগী মায়কৈদগীসু ৱাহং কয়া পুখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা কয়া লৈ। করিগুম্বা হন্দক্কী মীফম অসিগী রিকম্মেন্দসনদা অফস্পাগী মতাংদা য়াওহৌবা তারগদি খুদোংচাবা কয়া ফংগনি। হন্দক্কী মীফম অসি মরুওইনা ফিলিপিন্স, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী মতাংদা খন্নগদবনি  হায়খি।

অমরোমদা লমদমসিদা অফস্পা থল্লকপা চহি ৫৪ শুরকপগা ইরোইননা এক্ট অসিগী মায়োক্তা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লক্লিবা ইরোম চনু শর্মিলাগসু সিএসসিএইচআর না উন্নরে। মদুদা শর্মিলাগী মায়কৈদগী বৃটিশনা লোই চন্দুনা লৈরম্বা মতমদুদা থল্লম্বা অফস্পা অদু দিমোক্রেসি চৎলবা মতুংদসু অমুক মখা তানা লৈদুনা মীওৎ মীনৈ কয়া চখরিবা অসিদা নুংঙাইতবা ফাওই, মহাক বন্দি অমা ওইনা লৈরবসু ঙসি ফাওবা বন্দি অমনা ফংগদবা ভিজিটর রাইট  ফংদবসি পেন্দে অমসুং মীওইবা অমা ওইনা পুন্সিদা পাঙথোক্লিংবা, তৌগে খল্লিবা খরা অদু  ফংগদ্রা নত্রগা ফংলোইদ্রা হায়বা খঙবা ঙমদে হায়বা পোইন্ট অহুম পুখৎলদুনা য়াম্না নুংঙাইতনা ফোঙদোরকখিবা লৈ হায়না পাউদমখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা আরটিআই এক্তিভিষ্ট ৱাহেংবম জয়কুমার, লাইব ৱাটচ মণিপুরগী চিফ এদভাইজর এদভোকেট অরাবা অঙোমচা অমসুং সিভিল লিবর্টিজ এন্দ হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎ প্রেম কৃষ্ণনসু শরুক য়াখি।